# নন্দিগ্রামদা মায়থীরগনি খঙবদগী অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লেপ্পবা হোৎনরি: মোদি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকপা ইলেক্সন কেম্পেইন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা নন্দিগ্রামদা সুভেন্দুগা পানবদা মমতা বেনর্জি মায়থীবা নংলগনি হায়বা মশানা খঙজবদগী অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লেপ্পবা হোৎনরি হায়না করেম্মখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা নন্দিগ্রাম কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি খ্বাইদগী হেন্না মমিং লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমনি। বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা সুভেন্দুবু মায়থীবা পীগনি হায়না কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইনা থোরকখিবনি। অদুবু কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মীয়াম্না বেনর্জিগী মমাংদা উৎলিবা মওং মতৌশিং অদুনা মহাক শোয়দনা মায়থিরগনি হায়বা মশানা খঙজরে। মরম অদুনা অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা নোমিনেসন ফাইল তৌনবা হোৎনরি।

অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মহাক্না মীরেপ ওইনা থোক্লবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙম্লোই। বেঙ্গলগী মীয়াম্না মহাকপু য়াদ্রে হায়বসিময়েক শেংলবা ৱাফমনি। নন্দিগ্রামদা মীরেপ ওইনা থোরক্লিবী মমতা বেনর্জিনা মীয়ামগী মীনুংশি ফংনবা হোৎনবদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা নুমিৎ হুমনি হেন্না কেম্প তৌদুনা লৈরক্লি। মোদিনা মখা তানা বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা বি জে পি মায়থীবা পীনবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা তাকপদি তৃনামুল খক্তনা বি জে পিবু বেঙ্গলদা মায়থীবা পীবা ঙম্লোই তাকপনি। বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়রি।

অমরোমদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা মমতা বেনর্জিনা অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনা থোকপগী ৱাফম লৈতে। নন্দিগ্রামদা লুচিংবী অসিনা চাওনা মায় পাক্কনি। বেঙ্গলগী মীয়াম্না লুচিংবী অসিদা থমখিবা থাজবা হৌজিকসু লেংদনা লৈরি। বি জে পি অসামদা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সন অমদি বেঙ্গল ইলেক্সনদা মায়থীবা নংলগনি খনবদগী চোইরোল লোনবা হৌরক্লবনি হায়রি।

# শ্রীনগরদা লালহৌবশিংনা এটেক চখিবা অদুবু বি জে পিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি



জম্মু, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : শ্রীনগরদা লৈবা বি জে পিগী লুচিংবা অমগী ময়ুমদা লালহৌবশিংনা এটেক চখদুনা সেক্যুরিটি গার্দ অমা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু বি জে পিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা দিমোক্রেসিগী মপাঙ্গল শোন্থহনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি লুচিংবা অনৱার অহমদ হৌজিক হৌজিক বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুবতা নত্তনা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী ইন চার্জ ওইনসু লৈরিবনি। মহাক্কী ময়ুমদা লালহৌবশিংনা এটেক চখিবা মতম অদুদা মহাক মশাদি ময়ুমদা লৈখিদে হায়রি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকপদা শ্রীনগরগী অরিগাম নোগামদা লৈবা অনৱার অহমদ য়ুম মমাংদা শাদুনা লৈবা গার্দ পোষ্ট অদুদা লালহৌবশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চখিখিবনি। থৌদোক অদুদা কন্সটেবল রামেস রজা নোংমৈনা পানবদগী শোকখি। খুদক্তা মহাক এস এম ঐচ এস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি অদুবু ডোক্টরশিংনা মহাক শিনা পুরক্লে হায়না লাউথোরকখি।

বি জে পিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী ইন চার্জ তরুন চুংঘনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি পার্টি অসিনা তরাইনা লৌদে। পুলিস হাৎপদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা দিমোক্রেসিগী মপাঙ্গল শোন্থহন্নবগীদমক লালহৌবশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চখরি। হৌখিবা থা খরা অসিদা লালহৌবশিংনা শ্রীনরগদা লৈবা বি জে পি লুচিংবশিংগী য়ুমদা এটেক তোয়না চখরি।

অমরোমদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী বি জে পি প্রসিদেন্ট রবিন্দর রাইনানা ফোঙদোকখিবদা অনৱরগী য়ুমদা এটেক চখদুনা পুসিলমেন অমা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা জে এন্দ কে পুলিসনা থিগৎপা হৌখ্রে অমদি চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনরগনি হায়রি।

## নন্দিগ্রামদা মমতা বেনর্জি চাওনা ঈকায়বা নংলগনি: সুভেন্দু



কোলকাটা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী চীফ মমতা বেনর্জি চাওনা মায়থীবা নংলগনি অমদি নন্দিগ্রাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মমতা বেনর্জিনা মীখলদা মায় পাকপা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি হায়না নন্দিগ্রামদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা থোক্লিবা সুভেন্দু অধিকারিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশাগী চহী ৬৬ রোম শুরবী তৃনামুলগী লুচিংবী অসিনা বেঙ্গলগী মীয়ামদা মতম শাংনা নমথাক তৌদুনা লাক্লি। তৃনামুলদা মহাক মশা লৈরিঙৈ মতমদা মমতা বেনর্জিগী অশোয়বা অরানবা কয়া অদু পুথোক্লবা হোৎনরুবগীদমক মহাকপু পার্টি মনুংদা তোঙান তাহল্লকপা হৌখি। লুচিংবী অদুদসু মহাক মশানা মীয়ামগী হক মপুং ফানা ফঙহন্নবা থবক তৌসি হায়না ফোঙদোক্লবদা মহাকপু অরানবা তাহন্নবা হোৎনরকপদগী তৃনামুলদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবনি।

নন্দিগ্রামগী মীয়াম্না মহাকপু মতম চুপ্পদা তরাম্না ওক্লি। অদুবু মমতা বেনর্জিদি নন্দিগ্রামদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা য়াদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে। নন্দিগ্রামদা মহাক অমসুং বেনর্জি লম্বা তৌনরিবা অদুদা মহাক্না ভোট মশীং য়াম্না হেন্না ফংদুনা পায় পাক্কনি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা ইলেক্সন অসিদা মমতা বেনর্জি মশা মায়থীবা নংলগনি খঙবদগী নন্দিগ্রামদা নুমিৎ হুমনি কেম্প তৌদুনা অকনবা মওংদা ভোট খোম্বগী থবক চখরি। অদুবু নন্দিগ্রামগী মীয়াম্না লুচিংবী অসিদা চপ চানা পরা তম্বীরগনি হায়রি।

## অরুনাচল প্রদেশতা থা ৬ মখা তানা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : অরুনাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৩ দা সেন্তরনা অমুক হন্না আর্ম ফোর্সেস স্পিসল পৱার এক্টকী মতম থা ৬ শাংদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্টর্ব এরিয়া ওইনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্সনা ইশ্যু তৌখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না টিরাপ, চংলাং অমসুং লোংদিং দিষ্ট্রিক্টশিংদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসল পৱার এক্টকী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখিবনি। দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিদা হৌজিক হৌজিকসু অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপশিংনা মপুং ফানা ওপরেট তৌরি। মরু ওইনা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা নেস্নেল সোসেলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন-কে) অমা য়ুনাইটেদ লিভরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা) অমসুং নেস্নেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (এন দি এফ বি) না মপুং ফানা ওপরেট তৌদুনা লৈরি।

লালহৌবশিংগী প্রোব্লেম অসি মপুং ফানা লোইশিনবা ঙম্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অহুম অদুদা মখা তানা থা তরুক দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখিবনি। সেন্তরগী মায়কৈদগী লালহৌবগী প্রোব্লেমশিং লোয়শিন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। নোর্থ ইষ্টতা হান্না লৈরম্বা লালহৌবশিংগী প্রোব্লেম তপ্না তপ্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্লি। অতেনবা মতমগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লালহৌবশিংনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবশিং অসি লোয়শিন্নবা অমদি লালহৌবশিংবু হান্নগী পুন্সি মহিংদা হল্লকহন্নবা হোৎনরি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## সোনিয়া গান্ধীগী মহুত্তা সরদ পৱারনা ওইহনগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈতে

মুম্বাই, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী চীফ সোনিয়া গান্ধীনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসসিভ এলায়েন্স (য়ু পি এ) কী চ্যেরপার্সন ওইরিবা অদু শিন্দোক্তুনা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী সরদ পৱার ওইহনগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈতে হায়না সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রৱটনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা য়ু পি এবু মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা ৱাফমশিংদি ফোঙদোকখিবা লৈ। ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নেস্নেল লেভেলদা মপাঙ্গল কনবা এলায়েন্স অমা শেম্বগী মতম ওইরে।

সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং পুনশিনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদ্রবা থবক অমনি। অসিগুম্বা লুরবা মতম অসিদা মহাক্না কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী নৎত্রগা রাহুল গান্ধীবু হুন্দুনা ঙাঙখিবা লৈতে।

কোংগ্রেস লুচিংবা খরনা মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরক্লিবা ৱাফমশিং অদু অরানবনি। লনাই ওইনা মহাক্কী মথক্তা কোংগ্রেস লুচিংবশিং অদুনা চার্জ তৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই। মহাক্কী হৌজিক্কী ওইবা ৱাখল্লোন হায়রগদি য়ু পি এগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবা অসিনি হায়না সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাৱটনা মখা তারি।

মহারাষ্ট্রগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা য়ু পি এগী চ্যেরপার্সন অসি এন সী পিগী লুচিংবা সরদ পৱারদা শিন্নগদবনি হায়না সঞ্জয় রাৱটনা পনখি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি রাৱটনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

## মুম্বাই খক্তদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৮,৬৪৬ থেংনখ্রে, লায়চৎ অসিনা ১৮ শিহনখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ২৪ দা মহারাষ্ট্রগী মনুং চনবা মুম্বাই খক্তদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৮,৬৪৬ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১৮ শিহনখি হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ গী কেস হান্নদগী হেন্না মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লি। মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা মীয়ামদা অকনবা ৱাফমশিং থমখিবগা লোয়ননা আর টি -পি সী আর টেষ্ট তৌবদা হান্না লুপা ১,০০০ লৌরম্বা অদু ৫০০ দা হন্থখ্রে।

রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্টকী মমলসু হন্থহল্লগনি হায়রি। মহারাষ্ট্রগী কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্সকী মকোক থোংবা ডা. সঞ্জয়না ঙসি ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমনা অতোপ্পা মীওই ৪০০ ইনফেক্ট তৌহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি অহানবগী ওইনা মীয়াম্না ফেস মাস্ক উপ্পা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপা অসি কোরোনা ভাইরস অসি মরু ওইনা মীওইবগী নাতোন্দা শন্দোকই। মরম অদুনা ফেস মাস্ক উপ্পা য়াম্না মথৌ তাই হায়রি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক মরু ওইনা মহারাষ্ট্র, ছটিসগর, করনাটাকা, পঞ্জাব, কেরলা, টামিল নাদু, গুজরাট অমসুং মধ্য প্রদেশতা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## মহারাষ্ট্রদা ওক্সিজেন মাস্ক উপ্লগা খোঙজং চঙশিনখিবা কোভিদ পেসেন্ট অমা শিরে



মুম্বাই, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তা লৈবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন মমাংদা ওক্সিজেন মাস্ক উপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মশাগী চহী ৩৮ লোম শুরবা কোভিদ পেসেন্ট অমা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা লৈখিদ্রে হায়রি।

হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিংবু নীংথিনা য়েংশিনবিদ্রে হায়দুনা কোর্পোরেসনগী মমাংদা লৈখিদ্রবা বাবাসাহেব কোলে ওক্সিজেন মাস্ক উপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। কোলেনা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা এম্বুলেন্স লাক্তুনা মহাকপু মফমদুদগী ম্যুনিসিপাল হোস্পিটালদা পুখৎখি।

হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং মহাক্কী ওক্সিজেন লেভেল অদুদা চাদা ৪০ গী চাংদা লৈখি। নোর্মেল ওইনা ওক্সিজেন অদু চাদা ৯৫ নৎত্রগনা মদুদগী হেন্না লৈগদবনি। মহাক অহিং নোংয়াইদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

ঙসিদগী নুমিৎ হুমনিরোমগী মমাংদা মহাক বিটকো কৌবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। মদুগী মতুং অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা অমুক রিফর তৌখি। মখা তানা অমুক গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজদা রিফর তৌরকখি। মেদিকেল কোলেজ অদুদা মহাক্কী লৈফম লৈত্রে হায়না ফোঙদোরকপদগী পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি হায়রি।

## পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবা মশীং ৬ শুখ্রে

প্রাটাপগর, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশকী মনুং চনবা উধোয়পুরদা পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী ঙসি মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা শিখিবা মশীং পুন্না ৬ শুখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেল অনী অমসু সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

ঙসি লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি রামপাল সরোজ (৫০) অমসুং রামমিলন কোরি (৩৫) নি। মখোয় হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চখদুনা লাকখিবনি। পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা উধোয়পুরদা লোনা য়াদবা মওংদা য়োল্লিবা য়ুশিং অদুগী মতাংদা থিজিনবা ৱাৎপগীদমক সব ইন্সপেক্টর অমা য়াওনা কন্সেটেবল অমসু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি দিলিপ কোরি (৪৮) মহাক্কী মনাওনুপা প্রদিপ কোরি (৩৫), মখুরা সিধানাথ (৬৫) অমসুং রামকুমার প্রজাপটি (৩৫) নি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই ৫ পুলিসনা ফারে হায়রি।

## এম পিগী দ্রাইভর য়াওনা মীওই ৩ সী বি আইনা ফারে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবগীদমক টেলঙ্গনা রাষ্ট্রসম্মিটিগী এম পি কবিথা মালোদকী দ্রাইভর য়াওনা মীওই অহুম ঙসি সী বি আইনা ফারে হায়রি।

সী বি আইনা ফারবা মীওইশিং অদুদি রজিব বত্তাচারিয়া, সুভাগি গুপ্তা অমসুং দুরগেস কুমারনি। মনমিদ সিংহ লম্বা কৌবা মীওই অমদগী মখোয় অহুম্না শেল চারুবগীদমক সী বি আইনা ফাখিবনি। ফারবশিং অদুগী মনুংদা দুরগেস কুমারদি এম পি কবিথানা মহাক্কী দ্রাইভরনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। অদুবু কুমারগা লোয়ননা ফারিবা মীওই অনী অদুদি মহাক্না মশক খঙদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লম্বানা হায়রিবা মীওই অহুম অসিনা মহাক্কী য়ুম অদু ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লীনা থুগাইগদবদগী কনবীগনি হায়না মঙোন্দগী য়াম্লবা শেনফম লৌখি হায়না কমপ্লেন তৌরকপদগী হীরম অসিগী মতাংদা সী বি আইনা থিজিনবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি এম পি কবিথাগী ওফিসল রেসিদেন্সতা চেন্নরিবা মীওই অহুম অদু সী বি আইনা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৭২,৩৩০ থেংনখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াদা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৭২,৩৩০ থেংনখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরসনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১,২২,২১,৬৬৫ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ১১,৪৭৫,৮৩৬ মপুং ফানা রিকোভর তৌখ্রে।

লায়না লায়চৎ অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা মীওই ১,৬২,৯৯৩ শিহনখ্রে। হৌজিক লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী এক্টিভ কেস মশীং ৫,৯০,৯৬১ লৈরি। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ৮,৯৪৪ দি অরুবা ফীভমদা লৈরি।

ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্চকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল ২৪৪,৭৯৮,৬২১ টেষ্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ১,৭৬,০৯৮ তি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা তৌখিবনি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ৱার্করশিংগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী পুং ২ রোম পন্দুনা লৈখি



নন্দিগ্রাম, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) : বেঙ্গলদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং থল্লিবা অসি নন্দিগ্রাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদনি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা লম্বা তৌনরিবা মমতা বেনর্জি অমসুং সুভেন্দু অধিকারি অনীবু শৌগৎপা ৱার্করশিংগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী মমতা বেনর্জি পোল্লিং বুথতা পুং ২ রোম পন্দুনা লৈখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু থোক্লিঙৈ মরক্তা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা গভর্ণর জগদিপ ধনকরদা ফোন তৌদুনা ঈৱাং অদুগী মতাংদা পাউদমখি। অমদি লো এন্দ ওর্দর য়েংশিল্লিবা ইলেক্সন কম্মিসন্না শোয়বদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না মমতানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা থৌদোক থোকফমদা মহাক্কী পুন্সি করি ওইগদগে হায়বা তশ্বা ঙমখিদে। মফমদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্না চৎপগী মমি অমত্তা উদে। খুদক্তা কনাগুম্বা খরনা মঙোন্দা এটেক চখরকপা থোক্লবদি মহাক্কী পুন্সি মাঙলমগনি। হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা গভর্ণরদা মহাক্না কন্না তকশিনখি। তুংদা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং লাক্তুনা মহাকপু মফমদুদগী তেক্তা কায়দনা পুথোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা ভোটরশিংনা মনীং তম্না ভোট থাদবা ফংদ্রি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী নত্তবা খুৎনেক্কী ওইবা মীওইশিংনা ঙসিগী থৌদোক অদু থোকহনখিবনি। অসিগুম্বা মখলগী ইলেক্সন অমত্তা মহাক থেংনরক্তি। পোল্লিং ষ্টেসন ৬৩ গা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী মহাক্না মরী লৈনবশিংদা কমপ্লেন তৌখি। অদুবু ইলেক্সন কম্মিসন্না এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরি।

ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অদু বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশতগী লাকখিবা মীওইশিংনা থোকহনখিবনি। মখোয়বু সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা ঙাক্তুনা থল্লিবা অদুনা তাকপদি সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্না তৌনিংবতা তৌরি হায়বদু তাকপনি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা নন্দিগ্রামদা লৈবা মহাক মশাগী ময়ুমদগী বেনর্জি ভোটকী ফীভম য়েংশিন্নবা থোরকখিবনি। মতমদুদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা জয় শ্রীরাম হায়বা খোল্লাও লাউরকখিবগা লোয়ননা তৃনামুলগী সপোর্টরশিংগা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি।

জেট প্লস সেক্যুরিটি ফংলিবা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জি নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী কাউন্টিং বুথ মনুংদা পুং ২ রোম থোরকপা য়াদনা পন্দুনা লৈখি। তুংদা অহেনবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থোমজিল্লক্তুনা ঈৱাং অদুবু লাকশিনখি। নন্দিগ্রামদা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সন অসি নীয়ম চুম্না পাঙথোকপা নত্তে। বি জে পিনা নমফুন্দা মায় পাক্লবা হোৎনবনি হায়না বেনর্জিনা মরাল শীরক্লি।

BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR
ꯄ꯭ꯔꯣꯒ꯭ꯔꯥꯝ/PROGRAMME
FOR
HIGH SCHOOL LEAVING CERTIFICATE EXAMINATION, 2021
Time : (i) 3 hours for 80 marks
(ii) 2 hours for 48 marks

| DATE & DAY | Morning From 9 a.m. to 12 noon |
|---|---|
| 06-05-2021 (Thursday) | English |
| 10-05-2021 (Monday) | Science |
| 15-05-2021 (Saturday) | Mathematics |
| 19-05-2021 (Wednesday) | Social Science |
| 24-05-2021 (Monday) | First Language<br>Manipuri(MM)/Bengali/Mizo/Paite/Zou/Hmar/Tangkhul/Nepali/Thadou kuki/Maola/Vaiphei/Kom/Ruangmei/Liangmai/Hindi/Sanskrit/Gangte/Simte/Poula<br><br>Subjects in Lieu of First Language<br>Elementary Hindi/Additional English/Elementary Manipuri(MM)/Elementary Manipuri (Roman Script) |
| 28-05-2021 (Friday) | Optional Subjects<br>Home Science/Commerce/Computer Science/Higher Mathematics/Thang-Ta/Fine Arts/Eshei Nongmai/Manipuri Jagoi |

Note: The practical Examination in respect of subjects viz., Thang-Ta, Fine Arts, Eshei Nongmai and Manipuri Jagoi will be held from the 3rd June to 5th June, 2021. A separate programme for Practical Examination will be circulated in due course to the institutions which open the above mentioned subjects.

Sd/- (L. Mangi Singh)
Controller of Examinations

HL-B/6892/2